**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৬-০৬-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভনুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাকশন্না পাঙথোকখ্রে । সেটালাইট মেপ্পীংদা পোপী পান্বী থাবগী চাং অসি মমাংগা য়েংনরুবদা চাদা ৫০ দগী ৬০ ফাওবদি হন্থরে হায়রি ।

২) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি-রাজ্য অসিদা দগ্র শিজিন্নবশিংনা লৈনবা রিহেব্লিতেসন সেন্তর মশিং হেনগৎলক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে ।

৩) জিরিবামদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহল্লু হায়বা দাবীদা ঙসি মীওই লিশিং কয়ানা অচৌবা খোংচৎ অমা চৎখ্রে।

৪) রজ্যাপল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি - রাজ্য অসিগী বাইওরিছোর্সেসশিংগী কান্নবা লৌনবা আই.বি.এস.টি অমদি সি.এ.দব্লিউ (কাও) য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং খুৎশমনা চৎমিন্নবা তঙাই ফদে।

**অমসুং**

৫) বি.জে.পিগী এম.পি ওম বিরলা ১৮ শুবা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা ঙসি খনখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ডে (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাকশন্না পাঙথোকখ্রে । চহি অসিগী হিরমনা - দ ইভিদেন্স ইস ক্লিয়র ইনভেস্ত ইন প্রিভেন্সেন হায়বসিনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়- রাজ্য অসিগী থোক্লিবা ইরাং অসি বি.জে.পিনা লুচিংবা রাজ্য সরকারনা দ্রগী কী মায়োক্তা কেম্পেইন চথুরবগা মরী লৈনৈ। মহাকা হায়- সরকার অসিনা দগ্রকা মরী লৈনবশিং কৈদৌনুংদা য়াশিন্নবা পুরক্লোই । মখা তানা দ্রগ মরু ফংনা মুথুৎনবা হোৎনগনি। ৱাফম অসি নার্কোতিক্স এন্দ এফ্যারস ওফ বোদর( নাব) মনিপুরনা নার্কোতিক্স কন্ত্রোল বিউরো( এন.সি.বি).ইম্ফাল য়ুনিটকা খুৎশমদুনা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী পালন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা বাইক রেল্লি অমা লম থাবগী থৌরমদা শ্রী নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবনি ।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েত্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদুদা শ্রী এন.বিরেননা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিং, মৈরা পায়বী অমদি চীংগী খুঞ্জাশিংনা পোপি পান্বী মাংহন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং শিংথানিংঙাহনি। অমরোমদা, ইং কুমজা ২০১৮ দা ৱার ওন দ্রগ হৌদোকখ্রবা মতুং দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা মীওই ২৯৭ ফাখি হায়রি। সেটালাইট মেপ্পীংদা পোপী পান্বী থাবগী চাং অসি মমাংগা য়েংনরুবদা চাদা ৫০ দগী ৬০ ফাওবদি হন্থবগী মমি তারি হায়নসু শ্রী বিরেননা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা ঐখোয়গী খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংলগা দ্রগ চাবা অমসুং লালোনবগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা রাজ্য অসি দ্রগ লৈতাবা লমদম অমা ওইহনসি হায়নসু শ্রী বিরেননা আপিল তৌখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--সিএম**

ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়-রাজ্য অসিদা দগ্র শিজিন্নবশিংনা লৈনবা রিহেব্লিতেসন সেন্তর মশিং হেনগৎলক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে । দ্রগ চাবনা মশা মথন্তা মাংহঞ্জবা নত্তনা ইমুং মনুং অমদি খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং পিরি। মহাকা হায়- চহি খরগী মমাংদদি দ্রগ শিজিন্নবা অসি ইম্ফালগী মফমশিংদা লৈবা শেল পায়বা মীওইশিংনা অয়াম্বা ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ইম্ফাল খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদসু নহা কয়া দ্রগ শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি নুপাশিং খক নত্তনা নুপীসু য়াওনা দ্রগ শিজিন্নরকপা অসিনা খুন্নাই অসি হেন্না অমাং ওইনবা মরম ওইরি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি পল্লদুনা শ্রী দিঙ্গোনা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মীওই কয়াদা অৱাবা পীরি। মসি করিদগী থোক্লকখিবনো হায়বদু ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা তঙাই ফদে। সরকার অসিনা দ্রগ মুথৎনবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। স্কুল অমদি কলেজশিংদা দ্রগকী মতাংদা ভাব তাহনবগী থৌরম লেপ্তুনা পায়খৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়নসু শ্রী দিঙ্গোনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ দিঙ্গো--**

নুমিৎ অসিগী থৌরম মনিপুর রাইফলসকী অহানবা বত্তালিয়নদসু পাঙথোকখি । থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসরশিংনা দ্রগকী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নবগী ৱাশক লৌখি। ভারত লান্মীনসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোইরাংপুরেল হায়স্কুলদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লেকচর প্রোগ্রাম অমদি পোস্তর কম্পীতিসনসু পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসননা শীন্দুনা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী নুমিৎ পোরাবিদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখি।

থৌবাল জিলাদসু জিলা অসিগী পুলিসনা শিন্দুনা মীয়ামগী পাউজেল পীবা খোঙচৎ অমা খোংজোম খেব চীংখোঙদগী জিলা অসিগী এস.পিনা লমথাখি। খোংজোম পুলিস লমথুংফম ওইখিবা খোঙচৎ অদু তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং অমসুং মীয়ামা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পুলিস পরসনেলশিংগী ওইবা রেল্লি চৎখি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসননা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ষ্টেসন অসিগী কমপেক্সতা পাঙথোকখি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা মীয়ামগী রেল্লি অমা উখ্রুলগী কোর্ট কমপ্লেক্সতগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতগী গেট ফাওবা রেল্লি চৎখি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিজিন্নবা এম্বুলেন্স অমা খুদোল তমখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনদ পাঙথোকপা অচম্বা থৌওং অমদা এম্বুলেন্স অদু রাজ্যপালনা লম থাখি।

রেদ ক্রোসকী মীহুৎশিং অমসুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- এম্বুলেন্স অসিনা সনাপতি অমসুং কাংপোকপী জিলাগী মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লগনি। রেদ ক্রোস সোসাইতিনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা মখা তানা হায়- রেদ ক্রোস সোসাইতিনা মীয়ামগী য়াইনফনবগীদমক্তা লেপ্পা লৈতানা মতেং পাংলি। মনিপুরগী হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা অৱাবা তারবা মীয়ামদা রেদ ক্রোস সোসাইতিনা পাংলিবা মতেং অদুবুসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোক্লি। এম্বুলেন্স খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা রেদ ক্রোস সোসাইতিগী মীহুৎশিং য়াওনা ফীভম অমসু পাঙথোকখি।

**উইকেঃ** রজ্যাপল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি - রাজ্য অসিগী বাইওরিছোর্সেসশিংদগী কান্নবশিং লৌনবা আই.বি.এস.টি অমদি সি.এ.দব্লিউ (কাও) য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং খুৎশমনা চৎমিন্নবা তঙাই ফদে। ৱাফম অসি ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিছোর্সেস এন্দ সস্তেন্নেবল দিভলপমন্ত (আই.বি.এস.দি)না শিন্দুনা নুপী ওন্তরপ্রেন্যুরশিং চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা বাইও-ইকোনোমি ফোর্ম বাইও-রিছোর্সেস: দিভলপ্পীং ৱিমেন ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ হায়বা থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা নপী ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা মেছিনশিং অমদি অতৈ পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখি। রাজ্য অসিগী বাইও-ইকোনোমি চাউখৎ হন্ননবা হোৎনবদা আই.বি.এস.দিনা পায়খৎলিবা থীজিন হূমজিনবগী থবকশিং অমদি লৌরিবা থৌদাংশিংবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা আই.বি.এস.দিগী দাইরেক্তা প্রোফেসর ফুলোকুমার মুখরজি, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর ডা: অনুপম মীসরা য়াওনা মীয়ামা শরুক য়াখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহল্লু হায়বা দাবী তৌরদুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা লুপ ১০ না খুৎশমদুনা মীয়ামগী ওইবা খোংচৎ অমা চৎখ্রে। মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা জিরিবামদা লৈবা লুপশিং, অজকা, জে.দি.ও, লিচিং, দব্লিউ এম.সি , এ.জে.এম.পি জিম্পাল , দব্লিউ.দব্লিউ.ও.কে অমসুং এল.দব্লিউ.দব্লিউ হায়রিবা লুপশিং অসিনা খুৎশমদুনা মীওই লিশিং কয়া শরুক য়াদুনা খোংচৎ অদু জিরিবামগী ইমা কৈথেলদগী হৌখি।

খোংচৎ অসিনা তাল্লিবা দাবীশিং অদুদি অথুবা মতমদা বোরোবেক্রা সব দিভিজনদা রাজ্যগী অহেনবা ফোর্স থাজিল্লু । লাঞ্জেনরিবশিং মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিলহল্লু, মৈ থাখ্রবা য়ুমশিং,সরকারনা অথুবা মতমদা শাগদবনি অমসুং দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি খুদক্তা লেপ্পু হায়বনচিংবা য়াওরি। খোংচৎ অদুনা জে.টি রোদ পারিংদা লাক্তুনা চিংদোং লৈকায়দা লৈবা জিলা অসিগী দি.সি ওফিসতা য়ৌরবা মতুং দি.সি ইনচার্জ ওইরিবা এ.দি.সি- টি.ঐচ মনোরঞ্জনদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা জিরিবাম জিলাগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনদা বোম পোকখায়বা য়াওনা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি। হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিতর ২০ লোম চৎলগা লৈবা বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী হরিনাগর খুঙ্গংদা মী লৈনদ্রবা য়ুম অমা মশক খঙদবশিংনা বোম লংশিনদুনা পোকখায়নবদগী চাউনা অমাং অতা থোকখি হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ঙসি নোংঙাল্লমদাদা গোখাল প্রাইমারি স্কুল মনাক্তা য়ুম খরসু মৈ থাবা হৌরকখি। অদুমকপু মনাক্তা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনবদগী খরা মখৈদি কনবা ঙমহৌরে। মফমশিং অসি ফেরজোল জিলাগী চীংগী শরুকশিংগা নকবা মফম ওইরবসু লম্বী ফত্তবনা মরম ওইদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনবদা খুদোংচাদবা মায়োকরি। অদুমকপু অথুবা মতমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স চংশিন্নবা শেম শারে হায়রি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** **নিয়ম কায়না** রাজ্য অসিদা চংশিল্লকপা মীতোপশিং এন.আর.সি তৌদুনা মশা মশাগী মরমদমদা হল্লহনগদবনি হায়দুনা মোইরাংগীদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা দাবী তৌরি।

ঙসি মমপিল মোইরাং, কেমকল, ইবুধৌ থাংজিং পানা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লুপশিং অদুগী মহুৎ শিন্দুনা মোইরাংথেম সোমোজিটনা হায়- আইননা য়াদবা কুকিশিং এস.টি. লিস্তদগী লৌথোক্কদবনি, অতোপ্পা লমদগী লাকপা কুকিশিং ইং কুমজা ১৯৫১ দা বেস ইয়র ওইবা এন.আর.সি চৎনদুনা মরমদমদা হল্লহনগদবনি । হৌজিক চত্থরিবা সংসদকী মীফমদা রাজ্য অসিগী থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা পুখৎতুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

**দেদ(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী পোৎশংবম মনিং লৌকোলদা লৈবা ফার্ম হাউস অমদা নোংমৈনা পানবা অশিবা হকচাং অমা ফংলে। বিষ্ণুপুর পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

**জিনিম(এল)ঃ** জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা অনৌবা দাইরেক্তর হাপ্পকপদা মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা পীবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাকা চৎপিয়ু হায়না জেনিমস টিচর এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি ।

পোরোম্পাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি নিংথৌজম কুমারজিটনা হায়- হৌজিক পুরিবা দাইরেক্তর অসি চহি অসিগী ওগস্ত থাগী মতুংদা মহাক্কী মতম লোইরগনি। মরম অদুনা নৌনা হাপকদৌরিবা দাইরেক্তর অদু সেনিয়র ওইবা মতিক চাবা মীওই হাপ্পীয়ু । করিগুম্বা এম.সি.আইনা পীরিবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্তবা থোক্লবদি মেদিকেল কলেজ অসিগী রিক্কনেসন ককপা য়াবগী ৱাফম লৈ।

**মীলাল(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা মায়পাকখ্রবা ডা: অঙোমচা বিমোল একোয়জমা এম.পি অমা ওইনা ৱাশক লৌবদা ইমা লোলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ৱাশকখিববু মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়না শিলোন অপুনবা লুপ (মিলাল)না থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

**কুমওন(এল)ঃ ওল মনিপুর** ৱিমেন্স সোসেল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ত সমাজ( নুপী সমাজ) অমসুং ষ্টার ভোলিন্তিয়র ক্রোর্পসকী ৪৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা মখা মাইবম লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবনি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**বি.জে.পিঃ** বি.জে.পিগী এম.পি ওম বিরলা ১৮ শুবা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা ঙসি অমুক খন্নখ্রে। মহাক ভোইজ ভোটতা খঙনখিবনি। বিরোধি দলশিংনদি ফম অসিগীদমক্তা কংগ্রেস এম.পি- কে.সুরেজপু পুখৎলকখি।

মহাক্কী ৱারোলদা শ্রী ওম বিরলানা মহাকপু থাজদুনা অমুক হন্না অদ্যক্ষ ওইনা খল্লকপদা সংসদকী সদস্যা পুমমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি। গনতন্ত্রাগী চৎনা পথাপশিং অমসুং সংসদকী মগুন ঙাকপনা মহাক্কী মপুং ওইবা মীৎয়েং থল্লি। হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মীওই কোতি ৬৪ হেন্না শরুক য়াখিবা অদুনা ভারতপু মালেমদা খ্বাইদগী গনতন্ত্রা চৎপা লৈবাকনি হায়বদ্ উৎখি। শ্রী ওম বিরলাবু অমুক হন্না সদস্যা ওইনা খল্লকপদা প্রধান মন্ত্রিনা নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়- শ্রী বিরলাবু অনিরক শুবা ওইনা অদ্যক্ষ ওইনা খল্লকপদা ইতিহাস অমা শেম্লে। মহাকা হৌখিবা চহিশিংদা তৌখিবা থবক থৌরমশিং অদুবু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শিংথাখি। লাক্কদবা চহি ৫ অসিদা শ্রী বিরলাগী লুচিং মখাদা অনৌপা সদস্যাশিংবু অসিবু মপুং ফানা লমজিংগনি হায়বগী থাজবসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

শ্রী বিরলানা অদ্যক্ষ ওইনা খল্লকপদা কেন্দ্রগী গৃহ্ মন্ত্রি অমিত সাহ্, বিরোধি লুচিংবা রহুল গান্ধি, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদব, টি.এম.সিগী এম.পি সুদিপ বন্দোপদিয়া য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**ফুটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিসেয়ননা শিন্দুনা চথরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরকা য়ু.বি.এস.এ মন্তকপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

**পোলোঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল মেন্স ওপন পোলো টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ককচিং নম্বুল মপাল পোলো ক্লবনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন টিম বি বু ১০-১ দা অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পোনি কিয়র সেন্তর কন্বীবু পাঞ্জল ১৪-১ থোইখ্রে।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাকশন্না পাঙথোকখ্রে । সেটালাইট মেপ্পীংদা পোপী পান্বী থাবগী চাং অসি মমাংগা য়েংনরুবদা চাদা ৫০ দগী ৬০ ফাওবদি হন্থরে হায়রি ।

২) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি-রাজ্য অসিদা দগ্র শিজিন্নবশিংনা লৈনবা রিহেব্লিতেসন সেন্তর মশিং হেনগৎলক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে ।

৩) জিরিবামদা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহল্লু হায়বা দাবীদা ঙসি মীওই লিশিং কয়ানা অচৌবা খোংচৎ অমা চৎখ্রে।

৪) রজ্যাপল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি - রাজ্য অসিগী বাইওরিছোর্সেসশিংগী কান্নবা লৌনবা আই.বি.এস.টি অমদি সি.এ.দব্লিউ (কাও) য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং খুৎশমনা চৎমিন্নবা তঙাই ফদে।

**অমসুং**

৫) বি.জে.পিগী এম.পি ওম বিরলা ১৮ শুবা লোক সভাগী অদ্যক্ষ ওইনা ঙসি খনখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**